# স্মার্ট সিটি মিসন থবক ওইনা উহন্নবা হোৎনবীয়ুঃ গোবিন্দাস

# স্মার্ট সিটিগী থবক লেপ্তুনা চঙশিল্লিঃ শ্যামকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এসএন এস)ঃ ইম্ফাল স্মার্ট সিটি মিসনগী থবকশিং হৌজিকসু লেপ্তুনা চঙশিল্লি। মিসন অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী য়াওনা অৱাং নোংপোক স্টেটশিংগী ইন্টিগ্রেটেদ কমান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টর অৱাং নোংপোক্কী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হাংদোক্কদৌরি হায়না মাহুদ অমদি টাউন প্লানিংগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা দিমান্দ নম্বর ১২ মাহুদ খন্নরকপগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়, ইম্ফাল স্মার্ট সিটি মিসনগী অপুনবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ১০৫৩.৮ নি। মসিগী মনুংদা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৫০০ অদুগা স্টেটনা লুপা ক্রোর ৫৫৩.৮ অসি পুথোক্কদবনি।

মসিগী থবক অসি পায়-খৎনবগীদক প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্ট ওইনা আই এল এন্দ এফ এস টাউনসিপ এন্দ অর্বান এসেট লিমিটেদ অমদি প্রাইস ৱাটর হাউস কোপর প্রাইভেট লিমিটেদকা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ৫ দা য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীনখ্রে হায়খি। মখোয়গী থবক অসি থা ১৫গী মনুংদা লোইশিন্নবা য়ান্নবা লৈখিবনি। হৌজিক স্মার্ট সিটি মিসনগী থবক অসি লেপ্তুনা চঙশিল্লি হায়খি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়, মসিগী থবক অসি জৱাহরলাল নেহরু নেসনেল অর্বান রিনিউৱেল মিসনগী মখাদা লুপা ক্রোর ১০২.৫গী শেনফম থাদরগা পায়খৎপা হৌরকি-খবনি। মতম অদুদা ৱাটর সপ্লাই, সিৱরেজ, ইলেক্ট্রিসিটিনচিংবা অসি পায়খৎনবা মাষ্টর প্লান অমগী মখাদা থবক তৌরমদবনা থুগায়খিবনি।

মদুনা মরম ওইরগা নালাশিং ফুদুনা ঈশিং চেনদবনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা লৈরিবা দ্রেনশিং অসি ঈশিং চেদবনি। হৌজিক্তি মাষ্টর প্লান অমগী মখাদা চঙশিনবা হৌরে। মসিদা নত্তনা ইম্ফাল মনুংগী ঈশিংশিং অসি পুদুনা চৎখিগদৌবা দ্রেন খরসু লমগী চয়েৎনবা লৈনবা শেমগৎপদা অপনবা ওইদুনা লৈবা য়াওরি।

সিটি মনুংগী দ্রেনশিং শেঙনবগীদমক দিসিল্টিং মেছিন অমা লৈবীরঙ্গা অদুনা দ্রেনশিং শেঙবগী থবক চখরি। মণিপুরদা সিষ্টেম অমা লৈতবগী মমি তাখিবনি। অমোৎ অকায় হুন্দোকফম খঙদবা মীওইশিং অসি ৱাখল তাহল্লগা দোর টু দোর কলেক্সনদা য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

মণিপুরদা কারদি তোংবা অদুগা ফত্ত হৌদি হুন্দোকফমদি খঙদবা, তুরেলদা থাদবা ময়াম অসিনা মরম ওইরগা সিটি মোৎহনবনি হায়-খ। মসিদা বাবুপরা মনুংদা মোৎলি হায়রিবা অসি য়েংশিনগে হায়খি।

ৱেষ্ট টু ইনর্জি প্লান্ট অমা পি পি পি মোডেলদা পায়খৎনবগীদমক জর্মনগী কম্পনি অমগা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপগী মতাংদা স্টেট কেবিনেটনা খন্নবা লৈখ্রে। থবক লৌখৎনবা খন্নবা হৌরে।

লৈঙাক্লা অচান মীরাই নাইনা থবক তৌবা লৈতে। য়ুহার হাবদা শোকখিবা কৈথেলশিং শিদোক্কুনা লৈরিবা অসি য়াওনা শাগৎনবা চাদ ১০গী লম্প সম গ্রান্ট লৌনবা থবক পায়খৎলম্বা অদু প্রোগ্রাম অসি তোকি-খবদগী মখা চখবা য়াদনা লৈরকপনি।

অদুবু লৈঙাক্লা মিনিষ্ট্রিদা তক্লদুনা কৈথেলশিং অসি শানবা শেনফম পীবিনবা তক্লরিবনি। স্টেট বদজেটতা লুপা ক্রোর ১৬ হাপ্লিবনি। মসিদা নত্তনা করম্বা সোর্ছতগী অহেনবা ফন্দ লৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়খি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল বিল্ডিং বাইলোগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, মসি কুমজা ২০১৯ অসি শেমদোকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী মে ১৬ তা পি দব্লিউ দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার বিল্ডিংনা চ্যারমেন ওইবা মীওই ৭ না শাবা কম্মিতি অমা শেমদুনা বিল্ডিং বাইলো ঙাক্লা শাবা নৎত্রগা শাদবা বিল্ডিংশিং খঙদোক্লবা য়েংশিন্নবা শিন্নখিবনি।

অরিবা বিল্ডিংশিং অসি চেক তৌনবা খূৎশু খূৎলায় অদু লৈরমদবদগী আই এম সিগী ওইনা অমা চেনখ্রে। মসি হেক ফংবগা অরিবা বিল্ডিংশিং টেষ্ট তৌবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি।

অনৌবা বিল্ডিং বাইলো অসিগী মতুংইন্না মথোল ৭ ফাওবা লোংবা বিল্ডিং শাবগী অয়াবা পীখ্রবনি হায়খি। বিল্ডিং বাইলো অসি অতৈ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিং অমদি নগর পঞ্চায়টশিং দসু চৎনহন্নবা হোৎনরিবনি হায়খি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লমশাং নগর পঞ্চায়ট য়াওনা অর্বান লোকেল বোদি খরা সসপেন্দ তৌখিবা অদু পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েংদা নত্তে। লোকেল ফন্দ ওদিটকী মতুংইন্না তৌফম থোকপা থবকশিং তৌরমদবা থেংনবদগী মদু শেমদোক্লবগীদমক সসপেন্সন থমখিবনি। ৱাফম অসি কোর্টনা লৈরিবনা কোর্টকী দিরেক্টিভ অদু য়েংলগা থবক পায়খৎকনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

দিমান্দ অদুদা কট মোসনশিং পুখৎলদুনা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, ইম্ফাল সিটি মনুংদা হৌজিক থোইনা অহোংবা উদে।

ইম্ফাল সিটি মনুংদা য়াম্না চিনলিবা অসি কোকহন্নবা প্লান লৈতে। স্মার্ট সিটিগী মনুংদা করিগুম্বা অমত্তা হৌবা লৈতে। মিসন অসি থবক ওইনা উৎপগী তঙাইফদা লৈ হায়খি। ইম্ফাল সিটি মনুংদা লম্বী চিনবা হন্থহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা লম্বীদা পার্কিং পীশিন্দুনা শেল তালহন্দুনা লৈরে। ইম্ফাল সিটি অসি নিংথিনা প্লানিং তৌদ্রে, ফেল ওইবগী ফিভমদা লৈরে হায়খি। হৌজিক সোলিদ ৱেষ্ট অসি অচৌবা প্রোব্লেম ওইরে হায়খি। হৌখিবা চহী ৩ দা হৌজিক থবক অমত্তা উরক্ত্রি হায়খি।

এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়, লৈঙাক্লা অর্বান লোকেল বোদিশিংদা খূৎ থিংজিল্লকপগী মওং অমদা লাক্লি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা কোর্পোরেসন নৎত্রগা কাউন্সিল অদু পায়রগনা অদুমক চল্লাইহনবা অদুগা ওপোজিসন পার্টিনা পায়রগনা কাউন্সিল পায়হন্দবগী মওং অমদা চথরকপা অসি লাইবক থিবনি। মশীং য়াম্বা কাঙবুনা কাউন্সিল অদু পায়হন্নবা শিনবীয়ু হায়খি।

এম এল এ আর কে ইমোনা পি এম য়ু ৱাইগী মখাদা বেনিফিসিয়ারিশিং খনবদা মনুং মপান ফাওনা থবক তৌদবগী মমি তাই। মরম অসিনা আই এম সিগী ৱার্দশিংগী বেনিফিসিয়ারিশিংগী লিষ্ট অমা হাউসতা থম্বীয়ু হায়খি।

স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা ফংগদবশিংগী লিষ্ট অমা শেম্বীয়ু হায়খি। মসিগী থবক অসি পায়-খৎনবা লাকপা ওফিসিয়েলশিংনা লুপা লিশিং ১–২ নিবগী পাউ লৈ। মসি য়েংশিনবীয়ু হায়না মখা তাখি।

এম এল এ ও সূর্জকুমারনা হায়, ইমা মার্কেট অসি হেক য়েংবদা হায়জিনিক ওইদ্রে। মসিনা মপান লমদগী লমকোয়বশিং লাকপা মতমদা ইমা কৈথেলদা চংলুবা মতমদা মদুনা স্টেট অসিগী মিংচৎ থিনিঙাই ওইহল্লে।

তোম্বীসনা মার্কেট অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা হৌজিক প্রোব্লেম ওইরিবা ফম্ফম লৈতবগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি। মসিগা লোয়ননা ইম্ফাল এরিয়াদা সোলিস ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী ওইনা নিংথিনা প্লানিং তৌহন্নিংই হায়খি।

দিমান্দ অদু খন্নবদা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রসু ওবজার্ভেসন পীখি।

# পান্থোইবী হাউসিংদগী মীয়াম্না সবসিদাইজ হোম লোনগী খুদোংচাবা লৌবিয়ুঃ হেমো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এসএন এস)ঃ কুমজা ২০১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা *প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা– ক্রেদিট লিঙ্ক সবসিদি স্কিম (পি এম এ ৱাই–সি এল এস এস), হাউসিং ফোর ওল বাই* ২০২২ *মিসন* গী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি পান্থোইবী হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ (পি ঐচ এফ সি এল) অনীগী মরক্তা নেস্নেল হাউসিং বেঙ্কনা সেন্ট্রেল নোদল এজেন্সি ওইদুনা হন্দক্কা থংননা অহুম্লক শুবা ওইনা এম ও য়ু সাইন তৌনদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা কম্পনি অসিনা সবসিদাইজ হোম লোন লৌবগী খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি। লোয়ননা চেক্কী য়ূম শাবীনিংবা মীয়াম্না অর্বান এরিয়াদা সবসিদি লুপা লাক্ষ ২.৬৭ ফাওবা য়াওরবা হোম লোনগী খুদোংচাবা লৌবিয়ু হায়না পান্থোইবী হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদকী চেয়ার্মেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্তর থোকচোম হেমো সিংহনা ঙসি উরিপোক্তা লৈবা কম্পনি অসিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক কম্পনি অসিনা পীরিবা লোনগী ইন্টরেষ্ট রেট অসি চহী ১ গী ওইনা চাদা ১৩.৫০ ওইরি অদুগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরক্লিবা সবসিদিগী রেট অসিনা চহী ১ দা চাদা ৬.৫০ ওইরি। চাংচৎ অসিদা কম্পনি অসিদা থিগৎকদৌরিবা ইন্টরেষ্ট রেট অসি চহীদা চাদা ৭ লোমদমক ওইরগনি। মসিনা থা ১ গী ওইনা চাদা ০.৫৮ খক্তমক ওইরগনি। মণিপুরদা লৈরিবা বেঙ্ক অয়াম্বনা সবসিদি হোম লোনগী খুদোংচাবা পীবা লৈত্রি। মরম অসিনা পান্থোইবী হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদনা পীরিবা চাদা ৭ পর এন্নমগী ইন্টরেষ্ট রেট অসিনা খ্বাইদগী নোমিনেল ওইবা অপীকপা শেন্দোই ওইরি।

কম্পনি অসি অৱাং নোংপোক্কী ওইনা পব্লিক লিমিটেদ হাউসিং ফাইনান্স কম্পনিগী লাইসেন্স ফংবা অহানবা কম্পনি ওইরে। কম্পনিজ এক্ট ১৯৫৬ গী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফেয়ার্স গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা কুমজা ২০০৬ তা রেজিষ্টার তৌখ্রে। কুমজা ২০১৫ দসু মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসেস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেকুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট ২০০২ গী মখাদা কম্পনি অসি ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা শকখঙলে। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা– ক্রেদিট লিঙ্ক সবসিদি স্কিম (পি এম এ ৱাই–সি এল এস এস) হাউসিং ফোর ওল বাই ২০২২ স্কিম অসিসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এম ও য়ু সাইন তৌননবা ইনভাইট তৌরকপদগী সাইন তৌনরবা মতুং মীয়ামদা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা পীদুনা লাকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈরিবা মৈত্রম অমসুং খাবম বমদিয়ারদা পান্থোইবী কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদনা পায়-খৎলিবা রিয়েল ইষ্টেট রেসিদেন্সিয়েল প্রোজেক্ট অসিগীদমক লাক্লিবা মার্চ ১৪ অমসুং ১৫ দা ইম্ফাল হোটেলদা এক্সিবিসন অমা পাঙথোক্কুনা ফ্লেট / এপার্টমেন্ট, ভিল্লা অমসুং রো হাউসকী বুকিং হৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদেকখি।

# হুইয়েন লানফি পুথোক্লে হায়রিবসি চৎনবা য়ারোই : কে আই এম এ সি এস

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এসএন এস)ঃ অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপ অমদি য়েন্নীং দ্রেস এন্দ দিজাইননা থাঙ–তা হাংবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা থাঙ–তা তম্বদা শেৎনবা অনৌবা য়ুনিফোর্ম "হুইয়েন লানফি" হায়বা অমা পুথোক্লে হায়না লাওথোকখিবা অদু চৎনবা য়ারোই হায়না কংলৈ ইন্দিজিনিয়স মার্সিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কে আই এম এ সি এস)না খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কে আই এম এ সি এসকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা কে আই এম এ সি এসকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোরমেসন সেক্রেটরী থাংজম সুরজ মৈতৈনা হায় কুমজা ২০০৩ দগী হৌদুনা কে আই এম এ সি এসনা লমদম অসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা থাঙ–তা মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিগী মহৈলোইশঙদা থাঙ–তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা হাপ্পবা লৈঙাক্তা তক্লবদগী হৌজিক্তী স্কুল কয়াদা থাঙ–তা অসি সবজেক্ট অমা ওইনা হাপ্তুনা মহৈরোইশিংদা তম্বীবা হৌরে। লোয়ননা থাঙ–তাবু সবজেক্ট অমা লৌরিবা মহৈরোইশিংগী য়ুনিফোর্মগী মতাংদসু লূপ অসিনা মণিপুগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি কোনুংগী কষ্টম সেক্রেটরীদগী অয়াবা লৌদুনা "সাফি" হায়বা ফিজেল অসি শেৎপা হৌখ্রে। অদুবু অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা লূপ খরনা তৌনিংবদা তৌবগী মওংদা ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা অনৌবা ফিজোল অমা পুথোরকপা অসি লূপ অসিনা হকচিন্না লৌই। লোয়ননা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী নিংথৌবু থৌওই উশিৎতবনি হায়না লূপ অসিনা লৌই। মরম অসিনা ঙরাং লূপ অনীনা কৈশাম্পাৎত লৈবা জোব সেন্টর অমদি কোনুং মমাঙদা লৈবা ক্ল্যনস লেন্দদা ফঙগনি হায়রিবা অনৌবা য়ুনিফোর্ম অসি স্কুল অমত্তগী মহৈরোইশিংনা লৈদুনা শীজিন্নবিগনু হায়খি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা লূপ অসিনা মণিপুরগী সনাকোনুংগী মরী লৈনবশিংদসু মথৌ তাবা এক্সন তৌখৎনবা ৱাকৎলগনি হায়না সুরজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুরগী তরেৎ য়াওনা নোর্থ ...

*লমায় ১গী মখা...* য়ানা লৈরে হায়রিবা উচেকশিং অদুগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশতা ফংবা বার–ৱিং রেন বাবল্লর, বুগুন লিওসিচলা অমদি মিশমী রেন ব্লাদ্দরনচিংবা অসামদা ফংবা চেষ্টনট– বেক্কেদ লোচিং ট্রষ্ট, হ্বাইট–ৱিং ৱুদ দক অমদি বেঙ্গল ফ্লোরিকানচিংবা অমসুং মণিপুর, মেঘলায়া, মিজোরাম অমদি ট্রিপুরাদা ফংবা ওলিভ বুলবুল হায়রিবা উচেকনচিংবা অতাংবা মখলগী উচেক কয়া মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মরম অদুনা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা রেইনফোরেষ্ট অসি ঙাক–শেন্দুনা য়োকহৌদ্রবদি উচেকশিং অসি মুৎখ্রগনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা পল্লি।

# মণিপুরদা খোইনিং অঙৌবা...

*লমায় ১গী মখা...* ফজগনি। অদুবু উচেক অসিগীদি অফবা নত্তে। অঙৌবা মচু ওইরবনিনা মৈশা চুপশনবা ৱাংলি। অসিগুম্বা উচেক্কীদি মপাঙসু লৈঙমদে।

উচেক অসি হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা চীংদোম্পোক স্কুলদা ওজা ওইবা এম তোমথিন অমদি মহাক্কী মহৈরোইনা চেকশিন্না শেন্নবিরি। মফম অদুদা লৈবা বি এস এফ পোষ্টতসু পি এফ এ উচেক অসিগী মরমদা খঙহল্লবা মতুংদা য়েংশিনবিনবা হায়রমখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, কৈবুল লমজাওদা লিয়ুসিষ্টিক ওইবা সঙাই অমা থেংনখিবা লৈখ্রবনি।

# এম এস এফকী অশোয়বা লৈখিদে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এসএন এস)ঃ হৌখিবা চহী অসিগী জনুৱারি ১৫ দা মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না উরিপোক্তা লৈবা আর দি এস দিল্লরস প্রাইভেট লিমিটেদপু মতম কক্তনা থিংজিনখিবদু এম এস এফকী অশোয়বা লৈখিদে হায়না আর দি এস দিল্লরস প্রাইভেট লিমিটেদকী ওফিস ইন–চার্জ খাঙেম্বম সদানন্দনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা এম এস এফকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, এম এস এফনা কম্পনি অসিগী মেনেজিং দাইরেক্তর কেঐচ রাজেন্দ্রোগা ৱারী শান্ননবা হঞ্জিন–হঞ্জিন ষ্টাফশিংদা অমদি ওফিসতা খঙহল্লকখিবা লৈখি। অদুবু কেঐচ রাজেন্দ্রোনা মণিপুরগী মপানদা লোৎতুনা লৈ-খবনা কম্পনি অসিগী প্রোজেক্টশিংগী হ্বাইট পেপর পুথোকপা ঙমি-খদে। মরম অসিনা এম এস এফনা ওফিস থিংজিনখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অথিংবা অসিগী মরক্তা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা লৈতে। মেনেজিং দাইরেক্তর মশানা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা পাউচে অমদা এম এস এফকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কুনা হাপখিবনি। পাউচেদা হাপহনবা অদুদা ইশামক অমদি তখেল্লম্বম প্রদিপপু মখোয়না শীজিন্নখিবনি। মসিগীদমক এম এস এফ অমদি লৈবাক মীয়াম্না ঙাকপীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি।

# লুপা লিশিং ৫০ রোমগী দ্রগকা কোন্নবা ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি সর্জননা লুচিংবা টিম্না মীওই অমা লুপা লিশিং ৫২ রোমগী ময়াই কাবা দ্রগ ব্রাউন শুগরগা কোন্ননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.২০ রোম তাবদা ময়ূমদগী ফারে।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি বিহারি (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা জমারউদ্দিন কৌই। মহাক পুলিস ষ্টেসন অসিগী মনুং চনবা উরুপ কোনয়াইথাবীদগীনি। অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস টিম অসিনা ঙসি নুংথিলগী পুংফম অসিদা ময়ূমদা চঙদুনা থিবা হুম্বা চথবদা ব্রাউন শুগরশিং ফংবদগী মহাকপু ফাবনি। ব্রাউন শুগর অদু পেকেট ৪ থোক্লা প্লাষ্টিক্লা য়োম্লবা সাপোন কেপ্তা হাপ্লগা লোৎলম্বনি।

# মৈ ফংই, ফংদেগী ৱাহৌদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকা...

*লমায় ১গী মখা...* ফোঙদোকি-খবা লৈখিবনি।

চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা অদুদি মৎফম থোক্তে। ঙসি ফাওবদা মৈ মরিক অমা ফাওবা ফংবা ঙমদনা লৈরি। মসিমক মীওইবগী হক অদু খোঙ্গাওনবনি।

হাউস অসিদা মতম মতমগী মতুংইন্না ফোঙদোরকপা ৱাফম তারগা চহী অহুম লাকখিবনি। মসিগী চে অসি ঙরাং ইরকপনি মিনিষ্টরনদি মৈ ফংলে হায়না হায়রি। হাউস অসি লান্না লমজিংফম থোক্তে হায়খি।

মীয়ামদা ফংফম থোকপা অদু ফংহনগনি হায়বদুখক্তমক তঙাইফদে। মৈ পীনবগী খুদোংচাবা লৈতে হায়রবদি করিগী লাইন তিংবনো হায়খি।

মদুগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়, মৈ পীখি হায়বসি রেকোর্দতা লৈবগী মতুংইন্না হায়বনি। কামজোংদা লৈরিবা এম ভি এ অমা অসি পৱার গ্রিদনা এম ভি এ ৩.১৫ দা অপগ্রেদ তৌনবা তৌরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী অনৌবা ৱাখল্লোন্দা সৌভাগ্যগী মখাদা মৈ ফংদবা খুলশিংদা মৈ য়ৌহনখ্রে। মৈ পীরগা লৈরম্বনি। পুসিং অসি মতম খরা খরা পীরগা, জিংসুই অমদি মপুম অসি মৈ পীনবা হোৎনবনি হায়রদুনা মৈ ঙানলিবা অসি ঙসিগীনি হায়না ফোটো পুথোরকখি।

লৈঙাক অসিনা হাউসপু লান্না লমজিংবা লৈতে। তঙাইফদ্রবদি খুঞ্জাশিংগা পুন্না ফম্মিন্নরগা শেংদোকমীন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

মদুগী ৱাফম তারবা মতুংদা এম এল এ অলফ্রেদনা মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু য়ানিংদবা উৎলদুনা মহাক্না হায়রিবা ৱাফমশিং অদুনা অরানবনি হায়বা তারবদি মহাক এম এল এ ফমদগী তোকপীগে হায়খি।

মদুদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী মহাক্না ফম থাদোকপা থাদোক্তবগী থোইদোক্তে। মহাক্না হায়রিবা ৱাফম অদুমক রেকোর্দতা লৈবা অদু খঙহনবনি হায়খি। মহাক্না হায়রিবা ৱাফম অদু লাল্লি হায়রবদি মিনিষ্টর ফমদগী তোকপদা চিংনদে হায়খি।

মেম্বর অনীগী ৱাফম অদু তারবা তুংদা স্পিকরনা থেমজিনবগা লোয়ননা লঞ্চ ব্রেকতা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ফম্মীন্নরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হায়রকপদগী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ অনীমক নেমথখি।

এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়, রিং রোদ অসি শেম্নবগীদমক এ দি বিদগী লুপা ক্রোর ৪৪০ রোমগী প্রোজেক্ট ওইনা কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারি থাদা য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীনখিবনি।

স্টেট অসিগী ওইনা পুথোকফম থোকপা শেনফম লৈতবদগী প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০১৫ দা তোকখ্রে। মসিগী লম্বী অসি শেমগৎনবা কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২৩ দা এ দি বিনা এপ্রুভেল পীরে। মসিগী থবক অসি মথংগী শেনবা চহী কুমজা ২০২০–২১ দগী পায়খৎপা হৌনবা হোৎনরি হায়খি। রিং রোদ প্রোজেক্ট অসি এ দি বিদগী লোন কম্পোনেন্ট য়াওরগা লুপা ক্রোর ৮৫৪ চংনা পায়খৎপদা য়ান্নরে হায়খি।

# দি দি এম আর য়ু লিংখৎখিবগী ১৫ শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এসএন এস)ঃ ডান্স ড্রামা ম্যুজিক রিপরটোইরি য়ুনিয়ন (দি দি এম আর য়ু) মণিপুর লিংখৎখিবগী ১৫ শুবা নীংশিং থৌরমগা লোয়ননা আইদেন্টিটি, রুটস এন্দ ট্রেন্দস ওফ মণিপুর ক্লাসিকেল ডান্স কম্পোজিসন হায়বা হীরমসিদা খন্ন– নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর জগোয় মরুপকী জুবিলী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা হান্নগী প্রোফেসার নোংমাইথেম তোম্বীনা মোদেরেটর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ক্রিটিক্স রাজমনি অয়েকপম, ইন্দ্রকুমার সোবামচা অমদি খুরাইজম বোবো (সেনেট) না খন্ন–নৈনবা অসিগী পেনেলিষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী মতাংদা দি দি এম আর য়ুগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎ অধিকারিময়ুমনা পাউমীশিংদা হায়, য়ুনিয়ন অসিনা হেক লিংখৎখিবদগী চহী খুদিংগী য়ুনিয়ন অসিগী ফাউন্দেসন দে লেপ্তনা পাঙথোক্কুনা জগোয়–ঈশৈগী পার্ফোমেন্স কয়া উৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেল অসিদা জগোয় খক্তা শাবসিনদি মসিগী অশেংবা মশক–মওং অদু কনবা ঙম্লোইদবগী ফীভম অমদা লৈরকপনা মরম ওইদুনা মণিপুরী জগোয়–ঈশৈগী হৌরকফম, মশক–মওং অমদি হোংলক্লিবা মওং অসিগী মতাংদা খন্ন– নৈনবগী থৌরম অসিসু হন্দক্কী চহী অসিদগী হৌদুনা পাঙথোকপনি।

মসিদা লম অসিদা খঙ–হৈরবা কয়ানা শরুক য়াদুনা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্স অসিগী মশক–মওং অদু কয়ামুক য়াম্না ঙাক্লা চৎলিবগে হায়বনচিংবদু কুপ্না য়েংশিন্দুনা খন্ন–নৈনগনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি লমদম অসিগী তোইনা পাঙথোক্লবসু হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# দিজল ওটো রিক্সো লিশিং ২৫ ই–রিক্সো ...

*লমায় ১গী মখা...* মদুগীদমক লৈঙাক্লা মতেং পাঙগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ইঞ্জিন শিন্দোকপগী থবক অসি লাক্লিবা এপ্রিল থা মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা লাক্লগা হৌদোক্লবা মতুংদা মখা চখ্থগদবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনগী মখাদা পায়খৎপা উড়ান–টুগী মখাদা হৌদোক্কদবা হেলিকোপ্টর সর্ভিস অসিগীদমক হেলিপের্টশিং শানবা লুপা ক্রোর ৩৯ সেঙ্কসন তৌরক্লে। মসিনা থানলোন, পারবুং, তমেংলোং, জেসামী, মোরে নচিংবা মফমশিংদা হেলিপের্টশিং শাগদৌরিবনি।

দিমাপুরদা লৈবা মণিপুর স্টেট ট্রান্সপোর্টকী লম অসি নাগালেন্দ লৈঙাক্লা ৱারী শান্নদুনা মদুদা লমচে–খাপচিল্লগা লৈরম্বশিং চৎখিনবা নাগালেন্দ লৈঙাক্লা চে ইদুনা খঙহনখ্রে। ইম্ফাল মন্দলে বস সর্ভিস এপ্রিল ৭ তগী হৌরগনি। অহানবগী ওইনা চয়োল অমদা নুমিৎ হুম্নি সর্ভিস তৌগনি। মখা তানা নুমিৎ খুদিংগী সর্ভিস তৌনবা ৱাফমসু খন্নরি হায়খি। ইম্ফাল মন্দলে ফ্লাইট সর্ভিসসু মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনগী মায়কৈদগী অয়াবা পীরে। মসিসু অথুবা মতমদা হৌরগনি হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ত্রাফিক সিষ্টেম ফগৎহন্নবা হোৎনবা য়াবা থৌরাং লৌখৎলি। মসিদা থোইনা অশোয়বা লৈ হায়না লৌদে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা মী চিনবগী চাং হন্থহন্নবা ৱান ৱে ত্রাফিক পাউনা বজার, থাঙ্গাল বজার, খোয়াথোং লম্বীদা পায়খৎলি। মসিগা লোয়ননা বি টি রোদ মশাং অমদি অনৌবা খ্বাই থোংগী পরেং অসিসু নো পার্কিং জোন ওইনা থম্লে। মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা গাড়ী মশীংগী চাদ ২৫ হেনগৎপগী রিপোর্ট লৈ হায়খি।

ইম্ফাল সিটি মনুংদা লম্বী চিনবা হন্থহন্নবগীদমক গ্রেটর ইম্ফাল রিং রোদকী থবক হৌনবা এ দি বিগা য়ান্নবা লৈরে। মী তাবা মফম য়াম্না শোকহন্দনবা অনৌবা এলাইনমেন্ট শেমদোক্লে। কোইরেঙ্গেদগী হৌরগা কাঞ্চিপুর ফাওবা অমদি ইম্ফাল এয়ারপোর্ট ফাওবা ইলিভেটেল হায়ৱে শেমগৎনবা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজদা তক্লদুনা লৈরি হায়খি।

ইম্ফাল মনুংদা ওটোমেটেদ মল্টি লেভেল পার্কিং শাগৎনবা লৈঙাক্লা খন্নবা লৈরে হায়খি। কোইরেঙ্গৈদা লৈবা অরিবা এয়ারফিল্ড অসি হোংদোক্লবা মিনিষ্ট্রিদা তক্লরি হায়খি।

রিলিফ এন্দ দিজাষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরদসু রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট অসি মপুং ফানা মথৌ তৌরি। স্টেট অসিদা রেস্ক্যু ওপরেসন ১৩ রোম হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখি। স্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সগী মথক্তা এন দি আর এফকী টিম অমসু ইম্ফালদা লৈরে। মসিগী তঙাইফদবা খূৎশু খূৎলায়শিং লৈশিনবা হৌখ্রে। রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকীদমক সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১৬ পীরকপদা খূৎশু খূৎলায় লৈবগী প্রোভিজন য়াওবনা মদুনা খূৎশু খূৎলায় খরা লৈশিন্নবা খন্নরি হায়খি।

মদুগী মমাঙদা দিমান্দ অদুদা পোলিসি কট মোসন পুখৎখিবা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়, চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং চৎপদা গাড়ী য়াম্না চৎপনা মীয়ামদা অপনবা থোকহনলিবা অসি য়েংলগা গাড়ী মশীং হন্থহনলগা আর ও পি খরা হেন্না কুঙনা থম্বদা য়ারোইদ্রা হংখি।

মহাক্না হায়, ইম্ফাল সিটি মনুংদা ট্রাফিক চিনলিবা অসি মপুং ওইনা ট্রাফিক পোলিসি শোয়বদগীনি। স্টেট অসিদা হেনগৎলক্লিবা গাড়ীগী মশীং অসিদা মপান লমদগী পুশিল্লকপা সেকেন্দ হেন্দগী গাড়ীশিং অসিসু অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি।

সিটি মনুংদা চেল্লিবা দিজল ওটো, টাটা মেজিকনচিংবা অসি থৌজরগা নোংমগী চরা তানবা ওইবনা মসিগী মহুত্তা ই–রিক্সোনা মহুৎ শিন্দোকপীবা য়ারোইদ্রা হংখি।

পাউনা বজার, থাঙ্গাল বজারনচিংবা মফমশিংদা দুকান তৌরিবশিংগা গাড়ীশিং লম্বীদা খামজিন্দুনা থম্বা অসিনসু ইম্ফাল মনুংদা গাড়ী চিলহন্নবগী মরম অমা ওইরি। সিটি মনুংদা পার্কিং অসি মফম চানা পীরবদি ত্রাফিক চিনবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি হায়খি।

মসিগী মথক্তা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা গাড়ী সর্ভিস তৌহনবীরবদি মসিনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা কৈথেল হাংহনবা য়াগনি হায়খি।

ঙসি পাস তৌখিবা দিমান্দশিং অদুদি স্টেট লেজিসলেচর, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস, সেক্রেটরিয়েট, ট্রান্স–পোর্ট, মাহুদ অমদি রিলিফ এন্দ দিজাষ্টরনি।

# বেগ লাকখিবা...

*লমায় ১গী মখা...* ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি এন ইঙোচানা লুচিংবা টিমনা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অদুগী মমিং খুরাইজম অরুবা কৌই, চহী ২৬ রোম শুরে। মহাক সগোলবন্দ ইঙুদম লৈরক্তগী কেঐচ ইবোতোম্বগী মচানুপানি। মহাক ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা কৈশামথোং টোপ লৈরক মচিন্দগী পুলিস টিম অসিনা ফাবনি। মঙোন্দগী অঙাংবা মচুগী রোয়েল ইনফিল্ড বুল্লেট অমা অমদি মোবাইল ফোন ৪ অমশু ফাগৎপা ঙম্লে।

নীংশিংবা য়াবদি, দ্যুলালেন্দগী মফম অমদা লম্বীদা খোঙনা চৎচবা নুপী অমনা য়ানবা শেল অমদি সনা য়াওবা খাও অমা গারী মচা থৌবা মীওই অমনা গারী থৌনা থৌনা মখুৎ নাম্মনা খাও অদু লাক্লগা চেনখিবগী সি সি টি ভি ফুটেজ অমা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবনি।

পুলিসনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা থৌদোক থোক্লিবা নুমিৎ অদুদগী থিগত্তুনা লাকপনি হায়রি।

# দি টি ও ট্রান্সফর তৌবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮(এসএন এস)ঃ হৌখিবা চহী সেপ্টেম্বর থাদা পোষ্টিং লাকখিবা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসর অসি অমুক হন্না ট্রান্সফর তৌরগনি হায়বগী ৱাফম লাকপা অসিদা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও), সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্স (এস দি এস এ) অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট ৱুমেন্স এসোসিয়েসন (এস দি দব্লিউ এ)না য়াবা ঙম্লোই হায়না লূপ অহুম অসিনা পুন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দিষ্টিক্ট অসিদা দি টি ওগী ফম অসি হাংদুনা মতম কুইনা দিপার্টমেন্টকী থবক থৌরমশিং নীংথিনা পায়খৎপা ঙমদদুনা লৈরুরবনি। মসিদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টরদা কন্না তকশিনবদগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর থা অসিদা হৌজিক ওইরিবা দি টি ও অসি ট্রান্সফর থাবিরক্তুনা থবক তৌবা হৌবতা ঙাইরিবনি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা হৌজিক অমুক কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌইনশিন মানবা মওংদা দি টি ও ট্রান্সফর তৌ–খনবগী ৱাফম লাকপা অসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ফ্রন্টেল বোদিশিং অসিনা য়াবা ঙম্লোই। মরম অসিনা লৈঙাক্লা হীরম অসিদা অকক্লবা মীৎয়েং চঙদুনা মথৌ নীংথিনা তৌজরিবা দি টি ও অসিবু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লেঙদনা লৈহনবীয়ু হায়খি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা পোষ্টিং তারিবশিংনা মাগী মাগী দিপার্টমেন্টতা লাক্তুনা থবক শুবগী মহুৎতা ইম্ফালদা লৈবা মশাগী ময়ূমদগী ওইনা থবক তৌবগী মওং অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবসু চাউনা মায়োক্লহল্লে। মরম অসিনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদা ফ্রন্টেল বোদিশিং অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলগনি লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা চৎথবিগনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

# মশাগী লোয়নবী হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা...

*লমায় ১গী মখা...* কনফার্ম তৌরে হায়বগী পাউ অমা ফংখি। লোয়ননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা রেগুলর কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখি। লোয়ননা নুমিৎ অদুমক্তদা ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম অমনদা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা ক্রাইম স্কেন য়েংশিনখি অমসি অশিবা হকচাং আইদেন্টিফাই তৌরবা মতুংদা ভিডিও কোভরেজকা লোয়ননা অশিবা হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌখি।

আই ওগী সবমিসন অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, ফেব্রুৱারি ১৬ কী অয়ুক পুং ৮ লোম তাবা মতমদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মবুংনা পুলিসতা কমপ্লেইন্ট অমা থারকখি। কমপ্লেইন্ট অদুগী মতুং ইন্না ভিক্টিম অদুনা হিংলিঙৈদা মহাক্কী মপুরোইবা অমদি ইমুং মনুংনা ওৎ– নৈবা অমদি ফু– চৈবগী থৌদোক কয়া থোকখি হায়না মপামদা থম্লমখিবা লৈ। মরম অদুনা মীশিং অদু চিংননিঙাই ওইরি। লোয়ননা কমপ্লেইন্ট অদুগী মখাদা ভিক্টিমগী মপুরোইবা অমদি মনাওনুপাগী মথক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখি।

মহাক্না কেস অদুগী আই ওনা এ পি পিগী খূত্থাংদা থম্লকখিবা সবমিসন অদুনা চেন্নরিবা মীওই অনী অদুগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক্তা নুমিৎ হুন্নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌখি। কোর্ট অসিনা কেস রেকোর্দ অমদি সবমিসনশিং কুপ্না য়েংলবা মতুংদা মখোয়বু পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবগী তঙাইফদবা লৈবা মরম্না মখোয়বু ফেব্রুৱারি ২০ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি। লোয়ননা দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থারকখিবা বেল এপ্লিকেসন অদুসু ককখিবনি।

নাকল অমরোমদা, মীশি অদুদা চেন্নরিবা মপুরোইবা অমদি মনাওনুপা কোর্ট অসিদা পুথোক্কনি হায়বগী পাউ ফংবদগী ভিক্টিমগী ইমুং মনুং য়াওনা মশীং য়াম্লবা নুপা–নুপী কয়া কোর্ট কমপ্লেক্সতা থোমজিল্লক্লবা ঙাইদুনা লৈখি। অদুম ওইনমক কোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা হান্ননা দিপ্লোই তৌদুনা লৈবা সেক্যুরিটিশিংনা মীয়াম অদু কোর্ট কমপ্লেক্সতা চঙলক্তনবা থিংদুনা থমখি।

হিয়ারিং চথরবা মতুংদা এক্যুজ মপুরোইবা অমদি মনাওনুপাবু কোর্ট কমপ্লেক্স অদুদগী পুলিসনা পুথোক্লবা হোৎনবদা হান্ননা ঙাইদুনা লৈরিবা খোইশাওনরবা মীয়াম্না থোমজিল্লক্তুনা সন্দল, বোট্টল অমদি নুঙ থাজিন্দুনা তানখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা ঙাক– শেনবদগী কা– হেনবা পামদবা থৌদোক থোকখিদে।

# লোকেল মার্কেটতগী মাস্ক লৈশিনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* পীবা কোন্নবগী ফিভম অদুমক্তি ওইদ্রি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈরিবা ইশু অসি থেংনবদা শিজিন্নবগীদমক অখন্নবা বদজেটকী শেনফম থম্বগী ৱাফম লৈত্রি। অদুবু এন ঐচ এমগী ইন্টিগ্রেটেদ দিজিজ সর্ভিলেন্স প্রোগ্রামগী মখাদা কুমজা ২০১৯–২০গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৪৯ ত্রেনিং অমদি লেবোরেটোরি সপ্লোর্টকীদমক বদজেটতা য়াওদুনা লৈরি হায়খি।

মহাক্না হায়, স্টেট অসিদা ভাইরস অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা হেল্থ ষ্টাফশিং ছুটি লৌবা য়ারোই হায়না নোটিফিকেসন থোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা খা নোংপোক এসিয়া লৈবাকশিংদগী মণিপুরদা চান্ন থক্লবা পোৎলমশিং পুশিনলকপা থিংবগী য়াথং থোকখিবা লৈখ্রে হায়খি।

মহাক্না হায়, ভাইরস অসিনা নাবা মফমশিংদা ফেব্রুৱারি ১৭ তগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মপান্দগী মীওই ২৪৮ লোম ইম্ফালদা হনলকখ্রে। চিংনবা কেস ৯গী সেম্পল থাখিবগী মনুংদা সেম্পল ৮ দি নেগেটিভ ওইরে, সেম্পল ১গী রিজল্ট ঙাইরি হায়খি।

সেম্পলশিং লৌবা মতমদা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর ঙাক্লা থবক লৌখৎলি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি। লোয়ননা রিমস অমদি জেনিমসতা ভেন্টিলেটরগী খুদোংচাবা লৈবা আইসোলেসন ৱার্দশিংসু হাংদোক্তুনা থম্লে হায়খি।

মসিগা লোয়ননা মতম মতমগী ওইনা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংগা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাউ ফাওনরি হায়খি।

অমরোমদা এম এল এ এ কে মিরাবাইনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা মেন্টেল হেল্থতা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা সলাম কৈখুদা স্টেট মেন্টেল হোস্পিতাল অমা শানবা হোৎনরি। মসিগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগী মখাদা লৈরিবা নেসিদতা দি পি আর থাখ্রে। মসিগী শেন্থং অসি সি এস আরগী মখাদা লৌনবসু হোৎনরি হায়খি। নেস্নেল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামশিংসু পায়খৎলি।

এম এল এ অৱাংবৌ নিউমাইনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়, লৈঙাক অসি লাক্লবা মতুং চহী অহুম অসিদা পুন্না পি ঐচ সি অমদি য়ু পি ঐচ সি ১০ হাংদোকখ্রে। পি ঐচ এস সিদি অমা ফাওবা হাংদোকখিবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক সি ঐচ সিদি মোইরাংপুরেল সি ঐচ সি অসি হাংদোকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা ডাক্তর ২৯৪ অমদি নর্স ৫৩৭ হাপখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, পি ঐচ সি তৌশেমদা দোক্টর ২ অমদি নর্স ৩, তামৈ পি ঐচ সিদা ডাক্তর ৫ নর্স ৪ পোষ্টিং পীখ্রে। তামৈগী ওইনা ডাক্তর ৫ অদু মথৌ ফজনা তৌরি। অদুবু তৌসেমগী ওইনদি নুমিৎ ১৫ নিখক থবক তৌরি। মসি মপুং ওইনা লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবা অমদি বেসিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবগী খুদোংচাদবা লৈবননি হায়খি।